# এস সী ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং বেঙ্গলুরু এফ সী পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা ড্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে






বম্বোলিম, জন্যুৱারী ০৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ঙসি বম্বোলিম সিটিদা লৈবা এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৪৯শুবা মেটচতা এস সী ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং বেঙ্গলুরু এফ সী লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা ড্রো চৎখিবদগী পোইন্ট য়েন্নদুনা মখোয়-মখোয়না হান্না লৈরম্বা পোজিসন অদু হোংবা ঙমখিদ্রে।

এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী ওইনা হান্না শান্নরোয় ওইরম্বা পোৎশংবম রেনেদিনা কোচকী থৌদাং অদু লৌখি। মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুনা ঙসিগী হৌরকপা অহানবা হাফ অদুদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মদুদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা কাওরকপা বোল অমা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা সেনবোই হাওকিপনা টিমমেট ৱাহেংবম লুৱাংনা কাওরকপা বোল অমা য়াম্না ফজবা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা বেঙ্গলুরু এফ সীবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা বেঙ্গলুরুগী মায়কৈদগী সুনিল ছেত্রি নৌনা শান্নবা চঙলকখি। অমরোমদা, ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদসু অমর্জিৎ কিয়ামবু কোচ রেনেদিনা থাজিল্লকখি। সুনিল ছেত্রি য়াওরকপদগী বেঙ্গলুরুগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা খোঙজেল য়াঙবা হেনগৎলকখি। শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা ওই থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী টিম অদুগী শান্নরোয় রোশন নাওরেমনা কাওরকপা বোল অমা ইষ্ট বেঙ্গলগী দিফেন্দর সৌরব দাসনা চোংখৎলগা হেদ্দিংনা ঙাকথোকখিনবা হোৎনরুবদা খেৎলগা মশাগী গোলদা চঙখিবদগী ওন গোল ওইনা ইক্বেলাইজর অদু বেঙ্গলুরুগীদমক খূৎশিন্নখি।

মখা তারকপদা নাকল অনীমক্তগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা মায় পাক্লবা হোৎনরকখিবা অদু শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা ফংবা ঙম্নখিদবদগী টিম অনী পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা ড্রো চৎখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী মাংওইননা ইষ্ট বেঙ্গল মেটচ ৮ শান্নবদা ৪ ড্রো চৎলগা ৪ মায়থীদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা টেবলগী মমৈদা লৈখিবনি। ঙসিগী ড্রো অদুনা পোইন্ট ১ হাপচিল্লবসু পোজিসন হাইগৎপা ঙমদ্রি। অমরোমদা, বেঙ্গলুরু এফ সী মেটচ ৯ শান্নখিবদা ২ মায় পাক্লগা ৩ ড্রো চৎতুনা মেটচ ৪ মায়থীবা নংলগা পোইন্ট ৯দা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখিবা অদুসু হাইগৎপা ঙমখিদে।

# সর্দুল থাকুরগী ৱিকেট ৭না সাউথ অফ্রিকাগী অহানবা ইন্নিংস রন ২২৯দা লোইশিনহনখ্রে



জোহেন্সবর্গ, জন্যুৱারী ০৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী মরক্তা চথরিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচকী ঙসি সাউথ অফ্রিকানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদু ঙরাংদগী চথরকখিবা অদু ইন্দিয়াগী বোলর সর্দুল থাকুরগী য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্সনা বেটসমেন ৭ আউট ওইহল্লগা ইন্নিংস অদু রন ২২৯দা তেনশিনহনখ্রে।

ঙরাং ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২০২দা লোইশিনখিবনি। মদুগী পাউখুমদা সাউথ অফ্রিকানা ঙরাং শান্নবগী লোইশিল্লকপদা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু হৌদুনা রন ৩৫ লৌরগা ৱিকেট ১ তুখি। মদুগী মখা চথরকপদা ঙসি টিম অদুনা মখা তাবা রন ১৯৪ হাপচিনখি। ঙরাং সাউথ অফ্রিকাগী আউট ওইখিবা বেটসমেন অদু মারক্রামনি।

ঙসি কেপ্টেন এলগার অমদি কিগান পেটর্সননা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা মখা তানা রন ৭৪ হাপচিনবা ঙমখি। এলগার রন ২৮দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা ভানদর দুসেন রন অমখক লৌরম্লগা আউট ওইখি। অদুবু বাবুমা অমদি পেটর্সননা মখা তাবা ইন্নিংস অদু রন ১০১ ফাওবা পুখৎলকখি। পেটর্সন মশাগী রন ৬২দা আউট ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন ভেরিনগা লোয়নননা শান্নরকখিবা অদু ভেরিন রন ২১দা আউট ওইখি। মদুদা সাউথ অফ্রিকাগী অপূনবা স্কোর ১৬২ লৈখি।

বাবুমানা ইন্দিয়াগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা টিম অদুগী ইন্নিংসকী অমত্তা ঙাইরবা সিক্স ১ য়েখিবগা লোয়নননা ফোর ৬সু য়ৈবা ঙমদুনা মশাগী রন ৫১ শুরকপদা থাকুরনা আউট তাহনখি। রন ১৭৭তা বেটসমেন ৬ আউট ওইখ্রবা মতুং মখা তানা সাউথ অফ্রিকাগী মার্কো জেনসেন অমদি মহারাজনা রন ২১/২১ লৌরমখিবা অদুনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর অদু ২২৯ য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোলর সর্দুল থাকুরনা ওভর ১৭কা বোল ৫ লংবদা রন ৬১ পীরগা সাউথ অফ্রিকাগী বেটসমেন ৭ আউট ওইহন্দুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মায় পাকপা বোলর ওইখি। অতোপ্পা বোলর মহম্মদ সামি ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি। অদুগা জস্প্রিট বুমরাসু ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা ঙসিগী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নবা হৌরকপদা অহানবনা ইন্নিংসতা রন ৫০ লৌবা ঙমখিবা কেপ্টেন রাহুল রন ৮দা আউট ওইখি। লোয়নননা অতোপ্পা ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱাল রন ২৩দা আউট ওইদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর ৪৪দা ৱিকেট ২ তুখি। ক্রিজদা পুজরা রন ৩৫ অমসুং রাহনে ১১ লৌদুনা পূন্না রন ৮৫ শুদুনা ইন্দিয়ানা রন ৫৮ মাংজিল থারি।

# এস দি ও পল্লেল অমসুং টি ৱাই পি এ সোরা ড্রো চৎখ্রে

ককচীং, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচ এন এস): ইরেংবন্দ হায় স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫শুবা ৯ এ-সাইদ ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস দি ও পল্লেল অমসুং টি ৱাই পি এ সোরা পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা ড্রো চৎখ্রে।


মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম ২মক পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখিবশিং অদু কান্নবা ফংদনা অহানবা হাফ অদু স্কোরবোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা লৈতনা লোইশিনখি। ২শুবা হাফকী হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা এস দি ও পল্লেলগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২২ অর্নোল্ডনা শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনখি। টি ৱাই পি এ সোরাগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১২ ফরাগ খাননা ৪৪শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদু মান্নখি। শান্নবা লোইরমদাইদা এস দি ওগী মাখোন অমসুং টি ৱাই পি এগী ফির্দোস কাঙলোনগী ৱাংমদা শান্নরুবগীদমক রেফরিনা রেদ কার্দ উৎলগা তান্থোকখিবগা লোয়নননা মেটচ অদু ১-১দা ড্রো চৎখি।

# নেসনল য়ুঠ চেম্পিয়নশিপ য়ৈথোকখ্রে

ভোপাল, জন্যুৱারী ০৪ (এজেন্সী): এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি লাউথোকখিবগী মতুংইন্না মধ্য প্রদেশকী কোনুং ভোপালদা থা অসিগী ২৭তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা নেসনল য়ুঠ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অদু কোভিদ-১৯ লাইচৎকী অনৌবা লাক্লিবা ফীভম অসি য়েংলগা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপসু য়ৈথোকখিবা মরম্না নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিসু য়ৈথোকখিবনি।

ভোপালগী নেসনল য়ুঠ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অসি চহী অসিগী মার্চ ১দগী ৪ ফাওবা কুৱেটনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদবা এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকীদমক্তা ট্রায়ল সেলেক্সন ওইননবা শীনখিবনি। অদুবু এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না কুৱেটতা পাঙথোক্কদবা মরিশুবা এসিয়ন য়ুঠ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অদু মালেম শীনবা থুংনা অনৌবা কোভিদ-১৯গী ৱেভ অমা লাক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখিবদগী ইন্দিয়াগী ওইবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিসু য়ৈথোকখিবনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 338

**Forintos, Gyozo V (2425) - Barreras, Alberto (2330)**
**Capablanca Memorial Cienfuegos (9), 1979**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.Nc3 d5 | 4.Nf3 Bg7 |
| 5.Bg5 Ne4 | 6.Bh4 c5 | 7.cxd5 Nxc3 | 8.bxc3 Qxd5 |
| 9.e3 Nc6 | 10.Be2 O-O | 11.O-O cxd4 | 12.cxd4 b6 |
| 13.Qb3 Be6 | 14.Qa3 Rfe8 | 15.Rfc1 Bd7 | 16.Ng5 Qa5 |
| 17.Qb3 e6 | 18.Bf3 Rac8 | 19.Ne4 Nb4 | 20.a3 Nd5 |
| 21.Nd6 Rxc1+ | 22.Rxc1 Rb8 | 23.Bg3 Bf8 | 24.h3 Bxd6 |
| 25.Bxd6 Rc8 | 26.Rxc8+ Bxc8 | 27.e4 Qc3 | 28.Qa4 Nf6 |
| 29.Qxa7 Qxd4 | 30.Qb8 Qa1+ | 31.Kh2 Qc1 | 32.Qxb6 Nd7 |
| 33.Qd8+ Kg7 | 34.Bc7 e5 | 35.g3 Qxa3 | 36.Kg2 Qf8 |
| 37.Qg5 f6 | 38.Qd2 Qc5 | 39.Ba5 Qc6 | 40.Bb4... |

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 337 Ans. :**

32. ...Qb2+ 33. Rxb2 axb2+ Double check 34. Kb1
Ra1# Back-rank mate
0-1

# সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগকী অনৌবা ফিকচর অম্ফানা পীরকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৪ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা ১২শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২১-২২ অদুগা ইন্দিয়ন ৱিমেন লীগ ফুটবোলগী প্রি ক্বালিফায়িংসু ওইরিবা টুর্নামেন্ট অসি মমাংদা হৌরম্লগা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী খূদোংচাবা খরা লৈবদগী য়ৈথোক্লুরবা মতুং লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৭তগী অমুক হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ, ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল, আই সী এস এ ইরেংবম, ক্রিপসা নাওরেমথোং, এম পি এস সী পুলিস হেদক্বার্টর অমসুং দল্লিয়ু এফ এ ককচীংনি। নৌনা শেমদোক্লবা সেদ্যুল্ড অসিগী মতুংইন্না থা অসিগী ৭কী নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫দা দল্লিয়ু এফ এ অমসুং ক্রিপসানা টুর্নামেন্ট অদুগী ৫শুবা মেটচ শান্নগনি। নুমীৎ অদুমক্কী নুংথিল পুং ২.১৫দা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমদি আই সী এস এ ইরেংবম থেংনগনি। অম্ফাগী চেরোল অসিনা মখা তারদুনা থা অসিগী ১৬ ফাওবগী ফিকচরগী মতুং তাবা অদু জন্যুৱারী ১৩দা খঙগনি হায়রি।

Akoimart
(WHOLESALE & RETAIL)
Live Easy
SALE POINT
MANIPURI RICE
CHENGKUP
POULTRY FEEDS
GROCERIES
POROMPAT CROSSING, IMPHAL EAST, 795005
AKOIMART SALE POINT
Akoimart না মিয়ামগী খুদোংচানবগীদমক Sale Point অমা Imphal East কী Porompat Junction দা হাংদোকচরে, লোয়নন মখাগী পোৎলমশিং অসি মরাং কায়না ফংবিগনি।
- মৈতৈ চেং (Ready to cook) {Packed in bags of 5 Kg, 10Kg, 25Kg & 50Kg}
- চেংকুপ, চগেম, চামাং নচিংব
- য়েন, ঙানু অমদি শা, ঙাগী মচিঞ্জাক
- GROCERY :- Packed তৌরব হৱাই চেংৱাই, অলু, তিলহৌ, চনম, চিনি-নচিংব মখলসিং Wholesale অমদি Retail অনিমক্কি ফংবিগনি।
Note : Delivery তৌবগী খুদোংচাবসু ফংবিগনি।অকুপ্পা মরোলগীদমক পীজরিব Contact No.শিং অসিদ Phone তৌবীরকপ য়াগনি।
9863149948 / 9362259435 / 7085184590 / 9366095791
HL-P/1038/24/12-10/01

Azadi Ka Amrit Mahotsav
অৱাং-নোংপোক্তা রেল শম্নবগী মপাঙ্গল হেনগৎপগী অতোপ্পা খোঙথাং



লমথারগনি
০৫৬৫৯/০৫৬৬০ সিলচর-জিরিবামগী শাংদোক্লবা থবক নৌনা হৌদোক্তুনা ভাঙ্গাইচুংপাও ফাওবা পেসেঞ্জর ট্রেন

কান্নবশিং
- মণিপুরগী মীয়াম্না মতম কুইনা তাল্লক্লবা অদু থবক ওইনা পাঙথোকপা।
- মণিপুর অমসুং অসামগী লোন্নবা মফমশিংদা হেন্না অফবা মওংদা শম্ন হল্লগনি।
- চৎথোক-চৎশিনদা শেল য়াম্না তিংদবা অমদি নুংঙাইবা অসিনা হিংবগী লম্বীদা হেন্না খূদোংচাবা পীরগনি।
- সিলচর (খ্বাইদগী নক্লা লৈবা অচৌবা সিটি)গা অহেনবা মওংদা শম্নহন্দুনা হকশেল, মহৈগী লম্দা খূদোংচাবা পীদুনা মীয়াম্না পাল্লিবশিং অদু মপূং ফাহনবতা নৎতনা নোংথক্কী লম্বেলগী শম্নবসু হেনগৎহল্লগনি।

মখোয়না
নোংথোম্বম বিরেন সিংহ
চীফ মিনিষ্টর
মণিপুর
অমসুং
অশ্বিনি ভাইষ্ণো
মিনিষ্টর ওফ রেলৱেজ, কম্যুনিকেসন্স
ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি,
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
(ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা)
গেষ্ট ওফ ওনর
ডা. রাজকুমার রঞ্জন সিংহ
মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট, এক্সটর্নেল এফেয়র্স এন্দ এদ্যুকেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
মখাগীশিং অসি য়াওদুনা
মহারাজা সনাজাওবা লৈশেম্বা, এম পি, রাজ্য সভা
এম. সী. মেরি কোম, এম পি, রাজ্য সভা
ডা. এস লোর্হো ফোজে, এম পি, লোক সভা
অশব উদ্দিন, এম এল এ, জিরিবাম
মফম: জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসন | নুমীৎ : ৫ জন্যুৱারী, ২০২২ | মতম: নুংথিল পুং ১.৩০
নোর্থইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱে
নোর্থইষ্টকী মতেংদা
@nfr.indianrailways.gov.in @NFRailway @RailNf @nf_railway @railnf
HL-B/7406/5

LOAN AVAILABLE
ONE DAY DELIVERY FOR TWO WHEELER
SPECIAL OFFER FOR
CHRISTMAS & NEW YEAR
> INSURANCE(JPA)
> PRESSURE COOKER
> HELMET



L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7334/4/12-1/2

AVIO INTERNATIONAL INSTITUTE
PROFESSIONAL CABIN CREW TRAINING INSTITUTE
- 100% PLACEMENT FACILITY
- GUARANTEED SUCCESS
- UNLIMITED SUPPORT
- CUSTOMISED TRAINING
- MOCK INTERVIEW
- PERSONALITY DEVELOPMENT
- SOFT SKILL DEVELOPMENT
- GROOMING ENHANCEMENT
- SWIMMING CLASS
ELIGIBILITY:
AGE:- 18 TO 26 YEARS
EDUCATION:- 12TH PASS
HURRY UP!!! LIMITED SEATS FOR 15TH JANUARY BATCH 2022
OUR TRAINERS ARE EXPERIENCED FIRST CLASS CABIN CREW. OWNING OVER DECADES OF FLYING EXPERIENCE WITH ICONIC AIRLINES:
- JET AIRWAYS
- GULF AIR
- OMAN AIR
OFFICE: KWAKEITHEL,THOKCHOM LEIKAI, IMPHAL.
BUSINESS HOURS: 10:00A.M - 4:00 P.M (SUNDAY CLOSED)
Email: avio.institute@gmail.com
ADMISSION OPEN NOW
FOR INQUIRY CALL
7005045375/7005180623



HL-P/1068/28/12-7/1
Reg: UDYAM-MN-01-0001766

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com